ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসন, মণিপুরনা শীন্দুনা মণিপুর হিন্দি পরিষদতা পাঙথোকখিবা শৈরেং শৈদিন্নবা অমসুং ৱারেং পাথোকপগী 'করি হায়রি করি তন্ত্রি' নৈনবা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

স্কুলশিংনা সর্টিফিকেট য়োল্লকপা য়ারোই : আই ৱাই এ কে
☛ লামায় ২

অনৌবা পোজিটিভ কেস ৪ থেংনরে, এক্টিভ কেস ২০ শুরে
লামায় ৩

সঙাইপ্রৌদা জম্মিনলুন সিংসনগী আর্ট ষ্টদিও হাংদোকখ্রে
☛ লামায় ৫

'চয়োল অমগী মনুংদা নোংমাইজিং নুমীৎ হোলিদে ওইগদবনি'
☛ লামায় ৬

এম য়ু মেন গেটকা মায়োক্না লৈবা নাওরেম সনাজাওবা পব্লিক লাইব্রেরিগী হোলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. অহৈবম রিসিকেসনা ইবা লাইরিক 'কংলৈ নাৎতা থাঙ-তাগী মফম' ফোঙদোকপগী থৌরম



Vol. 46, Issue No. 096 | ইরাই, ইঙেনগী নীনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, July 01, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# মণিপুরগী খ্বাইদগী তমথীরবা লেন্দস্লাইদতা মীওই ৮১ শোকহনখ্রে

## টেরিটোরিএল আর্মি পর্সনেল ২ য়াওনা মীওই ৮গী অশিবা হকচাংশিং ফংলে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : মহৌশাগী অকোয়বগী ফীভম শোকহল্লুবদগী শোয়দনা ওইগনি থাজবা মণিপুরগী অহানবা খ্বাইদগী তমথীরবা চীং নীংখাইবগী থৌদোক্তা তোঙান তোঙানবা মীওই ৮১ শোকহনবগী মনুংদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদা টেরিটোরিএল আর্মিগী পর্সনেল ২ য়াওনা মীওই ৮দি অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিনা শোকহল্লবা মীওই ১৮সু ফংবা ঙমখিবদগী লায়কন্নরি অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা থৌদোক অসিদা শোকহল্লবা অপূনবা মীওই ৮১গী মনুংদা ৫৫গী মফম খঙখিদ্রি।

ঙসি ফাওবগী ওইনা ষ্টেটসিদা থোকখিবা লেন্দস্লাইদশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী তমথীনা মায়োক্নরিবা থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কগী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মরাংচীং (মখুআম) ভিলেজ রোমদা লৈবা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে লাইনগী য়ার্দ কন্সত্রক্সন কেম্পতা থোকখিবনি।

অহিং নোংয়াইগী মতম ওইবদা নত্তনা তমথীরবা চাওরবা চীংগী শরুক অমা পুল্লপ কিন্থরক্তুনা নীংখাইরকপগী থৌদোক অসিগী মাঙওইননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগী খুদম চাংদম ফংখিদবনা থৌদোক অসিমক্লা য়ামখ্রবা মীওই ৮১ য়ৌনা শোকহনখিবনি।

থৌদোক থোকফমদা জিরিবামদগী তুপুল ফাওরক্লগা ইম্ফাল তন্না য়ৌরক্কদৌরিবা রেলৱে লাইন শেমগৎপগী অকনবা থবক শুরিবা ইন্দিয়ন রেলৱেগী ওফিসল অমসুং ষ্টাফশিংগী লৈফমশিং, থবক অসিদা মতেং পাংবা য়াওরিবা বি আই পি এল কম্পেনিগী ষ্টাফশিংগী লৈফম অদুগা মখোয়বু ঙাক শেনবদা নত্তনা লো এন্দ ওর্দর মেন্টনেন্সতসু মতেং পাংনবগী দিপ্লোই তৌরিবা টেরিটোরিএল আর্মিগী কম্পেনি অমগী পর্সনেলশিং য়াওনা অতোপ্পা কম্পেনি (ভি এস সী) গী মশীং য়াল্লবা পর্সনেলশিংনা ইকোয় কোয়না লৈমিন্নবা মফমনি। মরম অসিনা তাঙান তোঙানবা কম্পেনি অমসুং





আর্মিগী লৈফমশিংনা অমগা অমগা নক্লনা ইকোয় কোয়শিন্দুনা লৈমিন্নরিবা রেলৱে লাইনগী য়ার্দ কন্সত্রক্সন সাইট অসিদা লেন্দস্লাইদ থোকচিল্লকপদগী মখোয় পুন্নমক খুদোংথীবা মায়োক্লখিবনি।

অহিংগী মতম ওইরবসু মখোল হৌনা য়াল্লবা চীংগী শরুক অমা পুল্লপ নমথরকখিবা থৌদোক অসি থোকখিবগা ইকান কান্নদনা তুন্ন-হিপ্নরুরবা মীওই পুন্নমক্লা খঙলকপদগী মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিং য়াওনা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পাউ পীনরকখিবনি।

## মীওই ১৮ শোক্লগা ফংলে, টেরিটোরিএল আর্মি য়াওনা ৫৫ মফম খঙদ্রি

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং পুলিসনা পাউ পীরকপদগী পন্থদনা ইম্ফালদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমসুং মীহুৎশিংগা অথুবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অসিনা লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্না থৌদোক থোক্লিবা মফমদা ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স (এস দি আর এফ) অমসুং পুলিস পর্সনেলশিং য়াওনা লান্মীগী মীওইশিং মী কনবা অমসুং শোক্লবশিংবু লায়েংনবগী থবক লৌখৎনবা থাজিনখি।

থৌদোক অসিনা রেলৱে লাইন শেম্বদা শীজিন্নরিবা মেছিনরিশিং লৈনুংদা ফুমজিনখিবতা নত্তনা তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্ট ফাওদুনা চেল্লিবা ইজৈ তুরেলদসু পুল্লপ তাশিনবদগী দামগী ফীভম ওইরক্তুনা তুরেলগী ঈচেল থৎখি। ঈচেল থৎলবা তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী তুরেল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং মিপাইনদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনখি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুদক্তা নেসনল দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স অমসুং এস দি আর এফনা আর্মি অমদি রেলৱেগী ওথোরিটি, খুঞ্জাশিং, রেলৱেগী লোকল ষ্টাফশিং অমসুং মেদিকেল টিমশিং চঙশিন্নবা খঙহনখি। লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা রিলিফ অমসুং রেস্কুগী থবক্তা মতেং পাংনবগীদমক লৈঙাক্কী এম সী এস ওফিসর মঙাবু নোনেগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা এটেচ তৌহনখি। ওফিসরশিং অদুদি ডা. এ চিংলেনখোম্বা মীতৈ, ঙাঙোম উত্তম, বস্তি কোন্থৌজম, এল গিৎচন্দ্র অমসুং সুলৈমান দৌলট খাননি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুদক্তা মী কনবগী থবক লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা নোনেগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনসু তুপুল য়ার্দ রেলৱে কন্সত্রক্সন কেম্পতা থোক্লিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসিনা মীওই কয়া ফুমজিনখিবগা লোয়ননা ইজৈ তুরেলগী ঈচেলদা অকায়বা পীরকপনা মীয়ামদা চেকশিন ৱাশিং খঙহনখি অদুগা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীগী মফম অয়াম্বদা চত্থোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### খুদোংথীবা তারবশিংদা পীবা য়াবা মতেংশিং পীগনি : মোদি



ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : ঙসিগী নোনে দিষ্ট্রিক্টকী তুপুলদা লৈবা রেলৱে ষ্টেসন অমগী মনাক্তা থোকখিবা চীং নীংখাইবগী লাইবক থীরবা থৌদোক অদুবু মায়োক্নরিবা মীওই পুন্নমক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পুন্নমক পাংগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা থবক পুন্নমক লৌখৎনবা খঙহল্লকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টরনা থৌদোক অসিবু মায়োক্নরিবা মীওই পুন্নমক অৱাবা খুদোংথীবদগী নান্থোরকপা ওইরসনু হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোরকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা থৌদোকসিদা পূক্নিং চঙলকপবুসু চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎখ্রে

### হোম মিনিষ্টরনা লেন্দস্লাইদকী ফীভম য়েংশিন্নবা খঙহল্লকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : তুপুল রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা থোকখিবা লেন্দস্লাইদনা মরম ওইরদুনা অশিবা হকচাং খরা ফংবা ঙমখ্রবসু মফম অদুদা দিপ্লোই তৌরকখিবা টেরিটোরিএল আর্মিগী মশীং য়াল্লবা পর্সনেলশিং য়াওনা ইন্দিয়ন রেলৱেজ, বি আই পি এল অমসুং লন্নাই কম্পেনি ভি এস সীগী মীওই কয়া থিবা খঙদনা লৈরিবা ফীভম অদুগী মতাংদা য়েংশিন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা খঙহল্লকখ্রে।

হোম মিনিষ্টরগী পাউতাক মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অমনসু থৌদোক থোকফমদা পন্থদনা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা মী কনবগী থবক য়াঙশিলহনখ্রে।

### গভর্ণর লা গনেসননা থস্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : ঙসিগী লাইবক থীরবা থৌদোক অসি হৌখিবা চয়োল অমরোমদা নোং লেপ্তুনা চুখিবদগী থোকহল্লকপনি হায়রদুনা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা গভর্ণর লা গনেসননা থস্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুবা ওইরসনু। অদুগা মখোয়গা কায়নবগী অৱাবা মায়োক্লহৌরবা ইমুংগী মীওইশিংদনা খাংবগী পাঙ্গল পীনবীবা ওইরসনু হায়রি।

লোয়ননা থৌদোক অসিদা শোক্তুনা লায়কন্নরিবশিং অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়না গভর্ণরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

### লৈখিদবদা লুপা লাখ ৫, শোকপদনা লিশীং ৫০ পীরগনি : বিরেন



ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : ঙসিগী লাইবক থীবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ৫গী এক্স গ্রেসিয়াগী শেনফম পীরগনি অমসুং শোক্লবা মীওইশিংদনা লুপা লিশীং ৫০ পীরগনি হায়না থৌদোক থোকফমদা হকথেংননা য়েংশিনখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শোক্লবা মীওইশিংগী লায়েংবদা চঙবা শেল য়াওনা মথৌ তাবা পুন্নমক্কী থৌদাং লৈঙাক্লা পুরগনি হায়খি। লোয়ননা থৌদোক থোক্লিবা মফমদা মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি হায়রদুনা রেস্কু টিমদা মণিপুর পুলিস অমসুং ষ্টেট দিজাষ্টর রেসপোন্স ফোর্স, আর্মি পর্সনেলশিংনচিংবা দিপ্লোই তৌদুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### কাংগী পাউজেল

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোরল্লগসু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্লবদগী মরক্তা লেপ্পা য়াওখ্রবসু হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা কাং (রথ যাত্রা) গী মাঙওইননা গভর্ণর লা গনেসন, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রতনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

### ডা. এল এম সিংহ

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : শক্লাইরবা ডা. এল এম সিংহ, দি এম (গেষ্ট্রোএন্টরোলোজিষ্ট) নুমিৎ নীনিগী ওইনা হয়েং অমসুং থা অসিগী ২দা মপান্দা চৎথোক্কদবনা ইম্ফালদা লৈরোই হায়না মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি।

### য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, ইম্ফালগী ঙসি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা সনা ফুদোংবা থৌরম অমসুং একাদেমি এৱার্দ, ২০২০ য়েন্থোকপগী থৌরম অদু নোনে দিষ্ট্রিক্টকী তুপুলদা লেন্দস্লাইদকী থৌদোক থোকপনা মরম ওইরদুনা মতম কক্তনা য়ৈথোক্লে হায়রি।

### শৈরেংবগী মনা

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (সাল) না চহী খুদিংগী পীরকপা শৈরেংবগী মনা চহীসিগী ওইনা ৱাংখৈ থাংজম লৈরক্তগী লাইশ্রম নবচন্দ্র অমসুং খুরাই লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগী ঙাইরাংবম মুনিন্দ্রোদা পীরগনি হায়রি। অদুগা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

### লমজা তোম্বদা মনা

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : রূপমহল থিএটরনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পীরকপা হুৱাইবম নিলমনি নীংশিং মনা চহীসিগী ওইনা ১৫রক শুবা মনা অসি সিনে আর্টিষ্ট কাংঙবম তোম্বা (লমজা তোম্বা) দা পীরগনি হায়রি।

### জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ২৮গী নুংথিলদা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবা নুপামচা ৩বু য়ু থকচিল্লগা ফূ চৈবগী থবক চত্থখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা তৌরকপা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল পি এসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎখিবা মীওই ৪ ঙসি সী জে এম, ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q : Noneygi landslideki thoudok mahousa lairembina asaobagi saklon lourakpani haibada langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : MLA singgi khuthangda Urea yenthoklibasina loumisingna fangdabagi wathok thorakhandaba ngamgani thajabra?

Yes 27% No 73%

### অস! লোইরেহে!

- নীংশিংনীংঙাই ওইবা লুহোংবনি।



- ঙসিদি কৈন্যাদা নত্তনা বোরসু দোলাই তোংলে!

## কৈবুল লমজাওগী মীয়াম হৌরক্তুনা নেসনল পার্ককী গেট ছো লোনশিল্লুরে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : কৈবুলদা নেসনল পার্ক অমদি মফমসিগী মীয়াম খঙহন্দনা খোঙজাইঙম্বা চীংবু রিজার্ভ ফোরেষ্ট অমসুং ৱাইল্দ লাইফ সেঙ্কচ্যুৱরি লাওথোকহল্লগা কৈবুল লমজাওবু সেন্সিটিভ জোননি হায়দুনা ইথনিক ইকো টুরিজম পার্ক শাবা য়ারোই হায়রগা সেন্সিটিভ জোন ওইরিবা মোইরাং খুনৌদা শাগনি হায়বসি কৈবুলগী মীয়াম্বু লৈঙাক্লা থৌওইবীদবনি হায়না ঙসি শঙাই প্রোটেক্সন এন্দ প্রিৰ্ভেসনন কম্মিটিগী কনভিনর কে ঐচ সনাতোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।



কৈবুল মীয়ামগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

ৱাফম অসি কৈবুলদা ইথনিক ইকো টুরিজম শাগনি হায়না লৈঙাক্লা ফোঙদোকখ্রবা মতুং মোইরাং খুনৌদা ওইনা শাননবা থৌরাং তৌরকপগী মায়োক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা

মহাক্লা মখা তানা হায়, কৈবুলগী মীয়াম হৌজিক য়াম্না অৱাবা ফীভম অমদা লৈরে। নাকল অমদনা নেসনল পার্ক অদুগা নাকল অমদনা খোঙজাইঙম্বা চীংবু ৱাইল্দ লাইফ স্কেচ্যুৱরি লাউথোকপীখিবদগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## বিজয় ককচীংতাবম ১সুং লৈমপোকপম সঞ্জিৎকুমারগী কেস এন আই এদা ত্রান্সফর তৌনবা বিষ্ণুপুরগী এস পিনা দি জি পিদা হায়জরম্লে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : থা অসিগী ২৪গী নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী ওফিসর ইন-চার্জ ৱাই শক্তিসেনগী কম্মান্দ মখাদা য়ুনিট অসিগী এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টর কে ঐচ কামেশ্বরনা লুচিংবা টিম অমনা বিষ্ণুপুর কৈথেলগী ঙাইখোং ক্রোসিং মনাক্তগী অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অমগী এক্টিভ মেম্বরশিংনি হায়বগী চার্জ তৌশিন্দুনা ফাগৎখিবা বিজয় ককচীংতাবম (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে অচৌবা, খোংমন অমসুং শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদগী লৈমপোকপম সঞ্জিৎকুমার (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল গোদাধোরগী মথক্তা বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস অদু নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) দা ত্রান্সফর তৌনবগী অয়াবা পীবিনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট

### মখোয় অনীমক জুলাই ১৪, ২০২২ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

পুলিসকী এস পিনা থা অসিগী ২৪দা অইবা চেরোল অমা পীদুনা হায়জরম্লে হায়রি।

ৱাফম অসি ফারবা মীওই অনীবু থা অসিগী ২৪দগী ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌরকখিবগী মতম লোইরদুনা পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌদুনা পুথোরকখিবদা মখোয় অনীনা পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়রবু ওবজেক্সন তৌরদুনা বেল পীবীনবা হায়জরকখিবদগী কোর্টনা নাকল অনীমক্কী কাউন্সেলশিংনা সবমিট ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### একনাথ সিনধে মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ৩০ (এজেন্সী) : সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তারকপদা লাউথোকখিবা ওর্দর অমদা মহারাষ্ট্রগী গভর্ণরনা ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী পাঙ্গল চাংয়েং তৌননবা খঙহল্লকখিবা অদু অদুমক চত্থগদবনি হায়রকখিবদগী উধব থাক্রেনা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রেজিগনেসন তৌখ্রবা মতুং ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা একনাথ সিনধেবু মহারাষ্ট্রগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

মহাক ফম থাদোকখ্রবা উধব থাক্রেগী মিনিষ্ট্রিগী মায়োক্তা অকনবা ঈরাং হৌখিবা সিব সেনাগী লুচিংবা এম এল এনি। অদুম ওইনমক ঙসি মহাকপু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা বি জে পিগী এম এল এশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## এম এল এ অব্দুল নাসিরগী অপুনবা লন থুমগী শেনফম লুপা ১৫,০৯,৬৯৭ ওইখি

মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লন-থুম খঙমিন্নসি -৩০

এম এল এ অব্দুল নসির

খোমজিনবা- ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী ফেব্রুৱারি অমদি মার্চ থাদা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা ৩০- লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুন্সিদা জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী মীরেপ ওইদুনা মীখলদা মায়পাকলকখ্রবা এম এল এ, এম দি অব্দুল নাসির (৪৮) থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লিলোংগী চাওবোক্তা লৈবা এম দি অব্দুল হামিদকী মচানুপানি। মহাক কুমজা ২০০০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী লিঙ্গুষ্টিক্সতা এম এ লোইশিল্লকখি। মহাক্কী লোয়নবী অঞ্জলিনা



নিংথৌজম দোক্টর অমা ওইনা গভর্ণমেন্ট সর্ভিস তৌবী নুপী অমনি। মীখলগী মাঙ ওইননা ইলেক্সন রিটর্নিং ওফিসরদা মহাক্লা পীশিনখিবা নোমিনেসন ফাইল্দদা য়াওখিবা এফিদভিটকী মতুংইন্না মীখল মমাংদা মহাক্কী মখুৎতা শেল ওইনা লুপা ৫,১০,৮০০ লৈখি। লোয়ননা লোয়নবী অঞ্জলিনা নিংথৌজমগী মখুৎতনা শেল ওইনা লুপা ১,৪৭,৪৫০ লৈখি। মহাক্কী এস বি আইগী একাউন্টদা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বর ২৩ ফাওবদা লুপা ৬০,৬০১ লৈখি। অনীশুবদা ইন্দসইন্দ বেঙ্কতা চহী অসিগী জন্যুৱারি ১৬ ফাওবদা লুপা ১৬,৩৬২ লৈখি। অহুমশুবদা এফ দি আর ইন্দসইন্দ বেঙ্কতা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর ২৭ ফাওবদা লুপা ৩,৮৪,৮১৭ লৈখি। ইলেক্সনগী ওইনা হাংখিবা ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিভ বেঙ্কদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৮ ফাওবদা লুপা ৩১,২০০ লৈখি। মহাক্কী লোয়নবীগী এক্সিস বেঙ্কী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৭ ফাওবদা লুপা ২৮,৪৪৭ লৈখি। অনীশুবদা আই সী আই সী আই বেঙ্কী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৯ ফাওবদা লুপা ৭০,৭৫২ লৈখি। অহুমশুবদা আই সী আই সী আই বেঙ্কী একাউন্টদা চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৮ ফাওবদা লুপা ১৬,৮৪২ লৈখি। মরিশুবদা এস বি আইগী একাউন্টদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১দা ফাওবদা লুপা ১,১৭,৫৩৬ লৈখি। মহাক্কী ওইনা লাইফ ইন্সুরেন্স কোরপোরেসন পোলিসিদা প্রেমিয়ম এমাউন্ট ওসনা লুপা ২,০৯,৪৫৪ অমদি মেক্স লাইফ ইন্সুরেন্সতা প্রেমিয়ম এমাউন্ট ওইনা লুপা ৪৯,৫৯২ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## থমচেৎ চারুবা মপা মচা লায়কন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস): লমশাং পি এসকী মনুং চনবা অখাম অৱাং লৈকায়দগী থমচেৎ লৈরগা চারুবা মপা মচা ওবা অমসুং কোক ঙাওবনচিংবা তৌরকপদগী রিমসতা লায়কন্নখ্রে।

থমচেৎ চারুবা মপা মচা অদুগী মমিং নিংথৌজম ইবোমচা (৪৯) অমসুং মহাক্কী মচানুপা জেমস (১৮) কৌই, অখাম অৱাং লৈকায়দগীনি হায়রি। ঙসি অয়ুক থমচেৎ লৈরগা চারুবদগী নুংথিলদা ওবা অমসুং কোক ঙাওরকপদগী রিমসতা লায়কন্নখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা হেল্থ সর্ভিসেসকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসল তোংব্রম ব্রোজেন্দ্রো খাবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না করিগুম্বা পোৎ অমা লৈদুনা চাদ্রিঙৈ মমাঙদা নিংথিজনা য়েংলগা চাবীয়ু। ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## ইম্ফাল ইষ্ট ১সুং থৌবালদা মেট্রিক টন ১৫০ চনগদবা ফর্টিলাইজর গোদাউন ২ শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস) : রাজষ্ট্রিয় কৃষি বিকাস যোজনা (আর কে ভি ৱাই) অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৬-০৭তা হৌরকখ্রবসু মণিপুরদদি কুমজা ২০০৯-১০ খক্তদগী থবক্তা ওন্থোকপা হৌখি অমসুং আর কে ভি ৱাইগী থবক থৌরমশিং এলাইদ দিপার্টমেন্ট ৭তা হৌরকখিবনি হায়না লৌউ-শিংউ মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মহাক্কী লোয়শঙনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিস কমপ্লেক্সশিংদা আর কে ভি ৱাইগী মখাদা মেট্রিক টন ১৫০ চনবা ফর্টিলাইজর গোদাউনশিং হাংদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী মায়কৈদগী আর কে ভি ৱাইগী মখাদা পীথরকপা শেনফমশিং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ারিবমখৈ অচুম্বা অমসুং হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক শীজিন্ননবা হোৎনদুনা লাক্লি। সেন্টরদগী পীরকপা শেনফমশিংনা মণিপুরগী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনগদবনি অমসুং মসিগীদমক সেন্টরনা পীরকপা গাইদলাইনশিংগী মনুংদা মণিপুরদা থবক ওইনা ওন্থোকপদা চুশিন্নদবা য়াওরল্লগদি মদুগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগদবনি হায়খি।

মরম অসিনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী স্কিম অসিবু থবক্তা ওন্থোক্লবগী মতাংদা মায়োক্লবশিং য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা হায়বগা লোয়ননা স্কিম অসিবু থবক্তা ওন্থোকপগী থৌদাংসু লৌগদবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লোয়শঙ অসিগী কম্মিস্নর এম জয়না ফোঙদোকখিবদা মেট্রিক টন ১৫০ চনগদবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫